# টি সী এম দি সী, আর সী এ অমসুং এম পি এস সী মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৩ (ঐচ এন এস):
মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা প্লে গ্রাউন্দশিংদা পাঙথোক্তুনা লাক্লিবা অহানবা এম এন সী এ সুপরপ্লেট টুর্নামেন্ট ২০২১-২২ গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা টি সী এম দি সী, থোংজু পার্ট-২ পেচু লম্পাক; আর সী এ, ললোং অমসুং এম পি এস সী, মণিপুর সেন্ত্রেল জেল মায় পাকখ্রে।




টুর্নামেন্ট অসিগী ৩৩ শুবা মেটচ ওইনা ঙসি অয়ুক পুঙ ৪.২৯ তাবদা টি সী এম দি সী, থোংজু পার্ট-২ পেচু লম্পাক অমদি ঈ এস য়ু, ৱাংখৈ পেলেস কম্পাউন্দ টিম অনীগী মরক্তা শান্নবা হৌখি। লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী তোস টি সী এম দি সীনা ঙমদুনা হান্না ফিল্ডিং তৌনবা খনখিবদগী অহানবা ইন্নিংসকী ওইনা ঈ এস য়ুনা বেট্টিং তৌখি। টিম অসিগী ওপন্নরনা চোংথাম মেহুল অমসুং হঞ্জবম জয়কিষননা ওইখি। টিম অসিগী ওপন্নর ওইখিবা বেটসমেন অনীনা মায়োক্লরিবা লম্বাগী বোলশিং কুইনা মায়োক য়াবা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা ফিল্ডদা কুইনা লৈবা ঙমখিদে। টিম অসিগী ওইনা বেটসমেন ওলিভরনা রন ৩৫ অমদি য়ুমখাম বলাজিৎনা রন ১৬ লৌরম্বা অদু নত্তনা অতোপ্পা বেটসমেন অমত্তনা রন ১৫ ফানা লৌবা ঙমখিদে। মদুনা মরম ওইরগা মেটচ অসিগী ওভর ৩৭.৩ দা ৱীকেট ১০ মক তুরগা রন ১১৯ দগী হেন্না লৌবা ঙমখিদে।

অমরোমদা অনীশুবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা টি সী এম দি সীগী বেটসমেনশিংনা টার্গেট রন ১২০ লৌবা ঙম্লবা হৈনা শিংনা শান্নবা হৌরকখি। টিম অসিগী ওইনসু বেটসমেন সুরজ খারিবমনা বোল ১৮ দা রন ২৬ লৌরম্বা অদু নত্তনা অতোপ্পা বেটসমেন অমত্তনা রন ২০ ফানা লৌবা ঙমখিদে। অদুবু চাংচত্তা বেটসমেন খুদিংমক্লা রন ১০ গী মথক্তা লৌবা ঙমখিবনা মরম ওইরগা মেটচ অসিগী ওভর ৩২ গা বোল ১দা টিম অসিগী ৱীকেট ৭ তুরগা টার্গেট রন ১২০ লৌবা ঙমখিবনা মেটচ অদু টি সী এম দি সী, থোংজু পার্ট-২ পেচু লম্পাক্লা ৱীকেট ৩ দা থোইখি। মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচনা টি সী এম দি সীগী সুরজ খারিবমনা তাখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৩৪ শুবা মেটচ ঙসি অয়ুক পুঙ ৩.৫৯ তাবদা লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেডিয়মদা এস দি সী, লাইফম খুন্নৌ অমসুং আর সী এ, লিলোং টিম অনীগী মরক্তা শান্নবা হৌখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অসিদা এস দি সী লাইফম খুন্নৌনা তোস ঙমদুনা হান্না বেট্টিং তৌনবা খনখি। অহানবা ইন্নিংসকী ওইনা এস দি সীনা বেট্টিং তৌদুনা শান্নখিবা অদুদা কোঞ্জেংবম মোনিস অমসুং থাংবোই দোঙেলনা ওপন্নর ওইখি। অদুবু আর সী এগী বোলরশিংগী বোল এস দি সীগী বেটসমেনশিংনা মায়োক য়ানবা হোৎনবদা চাওনা খুদোংচাদবশিং মায়োক্লখি। ওপন্নর ওইখিবা মোনিসনা বোল ১৩ দা রন ১২ লৌখিবা অমদি বেটসমেন মোইরাংথেম দেবেশ্বরনা রন ১০ লৌখিবা অদু নত্তনা টিম অসিগী লেমহৌরিবা বেটসমেন অমত্তনা রন ১০ ফানা লৌবা ঙমখিদে। মেটচ অসিগী ওভর ২০ গা বোল ৪ দা টিম অসিগী ৱীকেট ১০ মক তুরগা শুপ্নতগী রন ৬০ দগী হেন্না লৌবা ঙমখিদে।

অমরোমদা অনীশুবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা আর সী এগী বেটসমেনশিংনা টার্গেট রন ৬১ লৌনবা শান্নখি। টিম অসিগী ওপন্নর ওইখিবা অজিজ মির্জা অমসুং জমির খাননা টার্গেট রন ৬১ লৌনবা য়াম্না হৈনা শিংনা শান্নখি। টিম অসিগী বেটসমেনশিংনা মায়োক্লরিবা লম্বাগী বোলশিং মায়োক য়াবদা থোইনা অৱাবা ওইখিদে। ওপন্নর ওইখিবা অজিজ মির্জানা বোল ২২ দা রন ২৭ লৌরগা আউট ওইখি। অতোপ্পা ওপন্নর জমির খাননা বোল ১৪ দা রন ১৬ অদুগা অতোপ্পা বেটসমেন সয়িদ হুসেননা বোল ৫ দা রন ৮ লৌরগা মেটচ অসিগী ওভর ৬ কা বোল ৫ খক্তা ঙাইরিঙৈদা আউট ওইদনা টার্গেট রন ৬১ লৌবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা মেটচ অদু আর সী এ না ৱীকেট ৯ দা থোইখি। মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচনা আর সী এগী অজিজ মির্জানা তাখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৩৫ শুবা মেটচ ওইনা ঙসি অয়ুক পুঙ ৩.৫৮ তাবদা মোদেল হায়র সেকেন্দরি এন্দ ওরিএন্টেল কোলেজ গ্রাউন্দদা কে এ এস সী, খোমিদোক অমসুং এম পি এস সী, মণিপুর সেন্ত্রেল জেলগী মরক্তা শান্নবা হৌখি। মেটচ অসিগী ওইনা কে এ এস সীনা তোস ঙমদুনা হান্না ফিল্ডিং তৌনবা খনখিবদগী এম পি এস সীনা অহানবা ইন্নিংসকী ওইনা বেট্টিং তৌদুনা শান্নখি। টিম অসিগী বেটসমেনশিংনা য়াম্না হৈনা শিংনা মায়োক্লবা লম্বাগী বোলশিং কন্ত্রোল তৌরগা শান্নবা ঙমখিবনা মরম ওইরগা ওপন্নর ওইনা থোরকখিবা বেটসমেন গেলসন থৌদামনা বোল ৮৯ দা রন ৫৭ লৌদুনা টিম অসিগী রন য়ামহনবদা চাওনা মতেং পাংখি। মেটচ অসিগী অপীবা ওভর ৪০ লোইবদা টিম অসিগী ৱীকেট ৬ তুরগা রন ২১২ লৌবা ঙমখি।

অনীশুবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা কে এ এস সীগী বেটসমেনশিংনা টার্গেট রন ২১৩ য়ৌনবা শান্নবা হৌখি। টিম অসিগী ওপন্নর ওইখিবা বেটসমেন এম দি নজির খান অমসুং মুহমদ অলি কারিমনা হৌগৎলকপদা য়াম্না ফজনা শান্নরমখি। অদুবু ওপন্নর ওইখিবা বেটসমেন অনী অসি আউট ওইখ্রবা মতুং মুহমদ সহির খান নত্তনা অতোপ্পা বেটসমেন অমত্তনা মায়োক্ল রিবা লম্বাগী বোলশিং মায়োক য়াবা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা মেটচ অসিগী ওভর ৩৩ গা বোল ৪দা টিম অসিগী ৱীকেট ৯ তুরগা রন ১৫০ দগী হেন্না লৌবা ঙমখিদবনা মেটচ অদু এম পি এস সীনা রন ৬২ দা থোইখি। মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচনা এম পি এস সীগী সৌবাম কিংসননা তাখি।

# এম পি এস সী অমসুং সী ঐচ পি সী মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৩ (ঐচ এন এস):
ওল মণিপুর পোলো এসোসিএসননা শিন্দুনা ইরোইশেম্বদা লৈবা এসোসিএসন অসিগী শান্নবুংদা পাঙথোক্তুনা লাক্লিবা ৩৭ শুবা মেন্স ষ্টেট লেভেল পোলো টুর্নামেন্ট ২০২২ গী ঙসি শান্নখিবা মেটশিংদা এম পি এস সী-সীনা তেকচম পোলো ক্লব অদুগা সী ঐচ পি সী-এনা কে এন্দ এম এম রাইদিং স্কুল, শিংজমৈবু মায়থিবা পীখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দদা তেকচম পোলো ক্লব অমসুং এম পি এস সী-সী টিম অনীনা লম্বা তৌনখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অসিগী ওইনা এম পি এস সী-সীনা খরা হেন্না লাকচনা শান্নদুনা অহানবা চকরদা পাঞ্জল অনী চনবা ঙমখি। পাঞ্জল অনী অদু টিম অসিগী এস বাইকিংনা চকর অদুগর ০.৫৬ অমসুং ২.৩১ শুবা মিনটতা থংন-থংননা চনবা ঙমখিবনি। চকর অসিগী ওইনা তেকচম পোলো ক্লবকী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদে।

অনীশুবা চকরদা টিম অনীমক্কী প্লেয়রশিংনা মান্নবা মওংদা শান্নবা ঙমখিবদগী চকর অসিগী ওইনা পাঞ্জল অমমম্ চন্নবা ঙমখি। পাঞ্জলশিং অসি এম পি এস সী-সীগী ওইনা দল্লিয়ু রোসননা অদুগা তেকচম পোলো ক্লবকী ওইনা কে জোগেন্দ্রনা চনখিবনি। অহুমশুবা চকরগী ওইনা শান্নখিবা অদুদা তেকচম পোলো ক্লবনা অমুক লাকচনা শান্নবা ঙমখি। চকর অসিগী ৫.৫০ অমসুং ৬.৪০ শুবা মিনিটতা টিম অসিগী এম কুবের অমসুং এস জেমসননা চনখিবনি। মেটচ অসিগী অরোইবা অমসুং মরিশুবা চকরগী ওইনদি এম পি এস সী-সীনা খরা হেন্না লাকচনা অমুক শান্নরক্তুনা পুন্না পাঞ্জল ৪ চনবা ঙমখি। অদুগা তেকচমগী ওইনা পাঞ্জল ১ দগী হেন্না চনবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু এম পি এস সী-সীনা পাঞ্জল ৭-৪দা মায় পাকখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা সী ঐচ পি সী-এ অমসুং কে এন্দ এম এম রাইদিং স্কুল টিম অনীগী মরক্তা শান্নখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অসিদা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা হৌগৎলকপগী চকরদা চাং মান্ননা শান্নবা ঙমখি। অদুবু অরোইবা চকরদা সী ঐচ পি সী-এনা খরা হেন্না লাকচনা শান্নদুনা পাঞ্জল হেন্না চনবা ঙমখি। মেটচ অসিগী ওইনা কে এন্দ এম এম রাইদিং স্কুলগী মায়কৈদগী পাঞ্জল ৩ চনবা ঙমখি। অদুগা সী ঐচ পি সী-এনা অরোইবা চকর ফাওবদা পুন্না পাঞ্জল ৬ চনবা ঙমখিবনা মরম ওইরগা মেটছ অদু সী ঐচ পি সী-এনা পাঞ্জল ৬-৩ দা থোইখিবনি।

# পৱার লিফটিং চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়ানবা শান্নরোয়শিং খল্লে

ইম্ফাল, মার্চ ২৩ (ঐচ এন এস):
মথং থাগী ১৬ তগী হৌরগা ২৪ ফাওবা রাজস্থানগী উদয়পুরদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওল ইন্দিয়া ইন্টর য়ুনিভর্সিটি পৱার লিফটিং (মেন এন্দ ৱিমেন) চেম্পিয়নশিপ ২০২১-২২ দা মরিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারুগদবা শান্নরোয়শিং খনখ্রে। অমদি খল্লবা শান্নরোয়শিং অসি থা অসিগী ২৬কী অয়ুক পুঙ ১১ তাবদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ডা. কমল ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা লাক্তুনা মরী লৈনবা ওফিসলশিংদা রিপোর্ট তৌরগদবনি হায়না এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর ওফ স্পোর্টস মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ডা. সী ঐচ প্রদিপনা থোরকপা ওফিস ওর্দর অমনা হায়রি।

ওর্দর অসিগী মতুংইন্না চেম্পিয়নশিপ অসিগীদমক খল্লবা নুপা প্লেয়রশিং অদুদি মাইবম ইবোমচা মৈতৈ, এম বি কোলেজ; পাউগিনসাং খোঙসাই, চুরচান্দপুর কোলেজ; টি. প্রিন্স, ষ্টেন্দর্দ কোলেজ; টি জেষ্টিন, নেলিট অমসুং কে ঐচ প্রেমচান্দ মৈতৈ, লিবরেল কোলেজনি। অদুগা রিজার্বতা লৈরিবা প্লেয়রশিংনা ইরিখম্বা এলাংবম, এম বি কোলেজ অমসুং দল্লিয়ু জেমসন, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনি। অদুগা নুপী প্লেয়রশিং অদুনা কে থোইবী, এম বি কোলেজ; লাইশ্রম পুস্পা, ৱাইখোম মনি গর্লস কোলেজ অমসুং এলাংবম জেসিকা, পোল ষ্টার কোলেজনি হায়না ওফিস ওর্দর অসিনা মখা তানা পল্লি।

# চেম্পিয়নশিপকীদমক হয়েং ইম্ফাল থাদোক্লগনি

ইম্ফাল, মার্চ ২৩(ঐচ এন এস):
থা অসিগী ২৬ অমসুং ২৭ তা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী করাটে ষ্টেদিয়ম, এন এস বি রোদ, ওপোজিট অশ্রিট কুঞ্জ আশ্রম, রানিগঞ্জদা পাঙথোক্কদৌরিবা রোয়ামা কপ ২০২২-ওল ইন্দিয়া ফুল কন্টেক্ট করাটে চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়ারুনবগীদমক মণিপুরগী করাটেকাস ৩ অমসুং ওফিসল অমা খনখ্রে অমদি খল্লবশিং অসি থা অসিগী ২৫ দা কোলকত্তাগীদমক বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনেল এয়রপোর্ট, ইম্ফাল থাদোক্লগনি হায়রি।

চেম্পিয়নশিপ অসিগীদমক খনখ্রবশিং অদুদি এম দি নৱাজ সরিফ, অঙোম দিকিনসন মৈতৈ অমসুং বি এস ৱর্নিংঙমনি। অদুগা ওফিসল ওইনা খনখ্রবা অদুনা শিহান সী ঐচ প্রেমচন্দ্রনি হায়না ক্যোকুসিনকাই করাটে এসোসিএসন মণিপুরগী সেক্রেটরি পব্লিসিটি কৈশাম জয়প্রকাশ মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

# ইবুধৌ কোরৌহনবা থাঙ-তা এসোসিএসননা চেম্পিয়ন ওইরে

ইম্ফাল, মার্চ ২৩ (ঐচ এন এস):
কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন (কে এস এ)না য়াওশঙ কুম্মৈগা মরী লৈননা শিন লাংদুনা চথখিবা কংলৈ মেগা স্পোর্টস ফেষ্টিভেলগী শরুক অমা ওইনা হুয়েল লাংলোন থাঙ-তা মণিপুরগা খুৎশম্নরগা পাঙথোকখিবা ৭ শুবা কংলৈপাক থাঙ তা চেম্পিয়নশিপ ২০২২ গী টিম চেম্পিয়ন ইবুধৌ কোরৌহনবা থাঙ-তা এন্দ কলচরেল এসোসিএসনন টিম চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে।

য়ুম্নাম হুইদ্রোমদা লৈবা থাঙ-তা শঙলেন্দা পাঙথোকখিবা চেম্পিয়নশিপ অসিদা ইবুধৌ কোরৌহনবা থাঙ-তা এন্দ কলচরেল এসোসিএসন মোইদাংপোকনা গোল্ড ৪, সিলভর ২ অমসুং ব্রোঞ্জ মেদল ৪ পুন্না মেদল ১০ ফংদুনা ওভরওল টিম চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবনি। চেম্পিয়নশিপ অসিদা থাঙ তা মহৈকোল, য়ুম্নাম হুইদ্রোমনা গোল্ড ৩, সিলভর ৫ অমসুং ব্রোঞ্জ মেদল অমা পুন্না মেদল ৯ ফংদুনা রন্নর্স অপ তাখি।

ইবুধৌ কোরৌহনবা থাঙ-তা এন্দ কলচরেল এসোসিএসনগী মেদল লৌখ্রবা প্লেয়রশিংগী মনুংদা গোল্ড লৌখিবশিং অদুদি জ্যোটি সুনার, টি ঐচ লেম্বীসনা, টি ঐচ বিরজিৎ অমসুং কে লভসননি। সিলভর লৌখিবশিংনা এম বিরবল অমসুং ঐচ প্রিয়োবর্ত লুৱাংনি। ব্রোঞ্জ লৌখিবশিংনা এ রুবি, কে মেরিনা, এল ভেলেন্টিনা অমসুং এল দিপকনি।

থাঙ-তা মহৈকোল য়ুম্নাম হুইদ্রোমগী ওইনা মেদল লৌখিবশিংগী মনুংদা গোল্ড লৌখিবশিংনা সেঞ্চুরি হৈস্নাম, দিজেন সগোলশেম অমসুং হুইদ্রোম য়াইফবীনি। সিলভর লৌখিবশিংনা ৱাই দয়ারানী, ৱাই চনু ওলিভিয়া, ৱাই মহিন্দ্রা, এল বিসাল অমসুং টি ঐচ শ্রিনিবাসনি। অদুগা ঐচ বিসালনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখিবনি।

# হায়দ্রবাদ এফ সীনা আই এস এলগী মপু ওইখ্রে

গোৱা, মার্চ ২৩ (এজেন্সী):
গোৱাদা লৈবা তোঙান তোঙানবা ফুটবোল ষ্টদিয়মশিংদা পাঙথোক্তুনা লাকখিবা ইন্দিয়ন সুপর লীগকী ফাইনেল মেটচতা হায়দ্রবাদ এফ সীনা কেরলা ব্লাষ্টর্স এফ সীবু পেনালটি সুট আউটতা মায়থিবা পীদুনা লীগ অসিগী মপু ওইবা ঙমখ্রে।




গোৱাগী পি জে এন ফাটোরদা ষ্টদিয়মদা লীগ অসিগী ফাইনেল মেটচ হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা হায়দ্রবাদ এফ সী অমসুং কেরলা ব্লাষ্টর্স এফ সী টিম অনীগী মরক্তা নুমিদাং পুঙ ৭.৩০ তাবদগী শান্নবা হৌখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অসিদা অমনা অমবু লাকচনা শান্নবা ঙমখিদে অমদি শান্নরিবা প্লেয়রশিংগী মায়থোংদা লীগ অসিগী মপু ওইদবা য়াদে হায়বগী ৱাখল্লোনগা লোয়ননা মায়থোঙমকা লাম্না শান্নবা মীয়াম্না উখি।

টিম অনিগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অসিদা বোল পায়বগী চাং অদুম্মক মান্নখি। অমনা অমদগী য়াম্না হেনবা হায়বদু ওইখিদে। মেটচ অসিগী ওইনা হায়দ্রবাদ এফ সীনা বোল পায়বগী চাং চাদা ৪৩ ওইখি। অদুগা কেরলা ব্লাষ্টর্স এফ সীনা বোল পায়বগী চাংনা চাদা ৫৭ ওইখি। অহানবা হাফকী ওইনা শান্নখিবা অদুদা টিম অনীমক্কী প্লেয়রশিংনা মান্নবা মওংদা শান্নখিবনা মরম ওইরগা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনখিবশিং মায় পাকপা ঙম্লখিদে। টিম অমত্তগী বোক্স মনুংদা বোল পুশিল্লগা শান্নবা ঙমখিদবনা পাঞ্জল চনবসু ঙম্লখিদে। মদুনা মরম ওইরগা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা ০-০ দা লৈখি।

অনীশুবা হাফকী ওইনসু অমনা অমবু কন্ত্রোল তৌরগা শান্নবা ঙমখিদে। অদুবু মেটচ অসিগী ৬৮ শুবা মিনিটতা কেরলা ব্লাষ্টর্স এফ সীগী রাহুল কে পিনা হৈনা শিংনা হায়দ্রবাদ এফ সীগী মায়কৈদা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখিবা অদুনা মরম ওইরগা মীয়াম্না মেটচ অসি টিম অসিনা থোইরবা য়াই হায়না থাজনখি। অমরোমদা হায়দ্রবদা এফ সীগী প্লেয়রশিংনসু মেটচ অসি মায় পাক্তবা য়াদে হায়দুনা অকনবা মওংদা শান্নরকখিবদগী মেটচ অসিগী ৮৮ শুবা মিনিটতা টিম অসিগী সাহিল তভোরানা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমদুনা মেটচ অসিগী অপিবা মতম লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল ১-১ দা মান্ননা লৈখি। অদুবু টিম অনীগী মরক্তা কাউনখিবা পেনালটিদা হায়দ্রবাদ এফ সীনা পাঞ্জল অনী হেন্না চনবা ঙমদুনা মেটচ অদু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইরগা লীগ অসিগী মপু ওইবা ঙমখিবনি।

# কেক্রু য়াইরী ক্লবনা ৱিন্নর ওইখ্রে



য়াইরিপোক, মার্চ ২৩ (ঐচ এন এস):
কেক্রু য়াইরী ক্লবনা শিন্দুনা থা অসিগী ১৯ দগী হৌরগা পাঙথোক্তুনা লাকখিবা ১৪ রক শুবা এন্যুয়ল য়াউশঙ স্পোর্টস মীট, ২০২২গী মনুং চনবা ওইনা থা অসিগী ২১ দা পাঙথোকখিবা য়াইরিপোক ওপন কেস প্রাইজ ৱিমেন টগ ওফ ৱার কম্পিটিসনদা হোষ্ট টিম কেক্রু য়াইরী ক্লব, য়াইরিপোকনা ৱিন্নর ওইখ্রে।

য়াইরিপোক্কী তোঙান তোঙানবা খুলশিংদগী লাকখিবা টিম ৬ না শরুক য়াখিবা টগ ওফ ৱার কম্পিটিসন অদুগী ফাইনেলদা হোষ্ট টিম কেক্রু য়াইরী ক্লবনা পেচি-এবু ২-১ দা চীংদুনা ৱিন্নর ওইখিবনি।

থৌরম অদুদা য়াইরিপোক ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী হান্নগী চ্যেরপর্সন থাঙজম নোকুলনা অথোইবা মীথুংলেন, সোসল ৱার্কর রিটয়র্দ হেদ মাষ্টর লোংজম ইবোতোম্বীনা থৌরম মপু অদুগা লৈরোংথেল-নীংঙেল গ্রাম পঞ্চায়টকী নোমিনি প্রধান সলাম কুমার, গ্রেস একাদমি য়াইরিপোক কেক্রুগী ফাউন্দর প্রিন্সিপাল ভুবনেশ্বর মুতুম অমদি টোয়স প্রদক্সন সেন্টর গুৱাহাটিগী প্রোপ্রাইটর লোংজম রোমেননা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি। লোয়ননা মকোক মথং তারবশিংদা মনা মথুমশিংসু ঙসিগী মীথুংলেনশিংনা য়েন্থোকখি।

MANIPUR UNIVERSITY
CANCHIPUR: IMPHAL

ꯑꯦꯗꯚꯔꯇꯥꯏꯖꯃꯦꯟꯇ/ ADVERTISEMENT
Dated, the 23rd March, 2022

**No. MU/N.S.Std./HOD/01/2019-20/960:** It is hereby notified that 1(one) Guest Faculty on contract basis will be appointed initially for a period of 6(six) months in the Department of National Security Studies.

**Essential Qualifications:**
As prescribed by the UGC for Assistant Professor in the concerned subject.

**Honorarium:** Rs. 1,500/- per lecture subject to a maximum of Rs. 50,000/- (Fifty thousand) only per month.

**Date of Interview:** 06th April, 2022 at 11 a.m.

**Place of Interview:** Vice-Chancellor's Committee Room, MU

Candidates are required to submit their bio-data along with supporting documents to the Head, Department of National Security Studies, Manipur University, Canchipur- 795003 between 9 a.m. to 10 a.m. on the same day

Sd/- Hoineilam Kipgen
Assistant Registrar (Sr. Scale)

HL-B/7559/24

MANIPUR UNIVERSITY
CANCHIPUR: IMPHAL

ꯑꯦꯗꯚꯔꯇꯥꯏꯖꯃꯦꯟꯇ/ Advertisement
Dated, the 23rd March, 2022

**No.MU/Zoo/01-22/03/958:** It is hereby notified that 1(one) Guest Faculty in Ecology (Animal Science) on a contract basis will be appointed initially for a period of 6(six) months in the Department of Life Sciences (Zoology) through **walk-in interview**:

**Essential Qualifications:** M.Sc (Zoology) with Ph.D/JRF/NET/SLET
As prescribed by the UGC for Assistant Professor in the concerned subject.

**Honorarium:** Rs. 1,500/- per lecture subject to a maximum of Rs. 50,000/- (Fifty thousand) only per month.

**Date of Interview:** - 31.03.2022 at 11:00 A.M.

**Place of Interview:** - Vice Chancellor's Committee Room, MU

Candidates are required to submit their bio-data along with supporting documents to the Head, Department of Life Sciences, Manipur University, Canchipur- 795003 between 10 a.m. and 11 a.m. on the same day.

Sd/- Hoineilam Kipgen
Assistant Registrar (Sr.Scale)

HL-B/7561/24


ꯏꯃꯞꯂꯣꯏꯃꯦꯟꯇ ꯅ꯭ꯌꯨꯖ
EMPLOYMENT NEWS

- Car Wash Helper 2 (Rs. 10,000 to Rs. 15,000 p/m + Incentive)
- 22 to 28 yrs Office Asst. ওইনিংবা মীওইশিংগী ওইনা TBL, Kakching, Sekmai, Nambol অমসুং Samurou, Moirang নক্লবা মীওইশিংগী ওইনা Post 2/2 পামজৈ।
- 2/4 Wheeler Mechanic 2, Car Driver 2 পামজৈ।

Please Contact :
M.B. Singh
Mobile No. 9774495994 / 8731978490

HL-B/7466/24

# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 405**

**Capdepon, Nelson - Pelikan, Jorge (2335)**
**Zarate op Zarate, 1972**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.d4 c5 | 2.d5 e5 | 3.c4 d6 | 4.Nc3 Nf6 |
| 5.e4 Be7 | 6.f3 O-O | 7.Be3 Ne8 | 8.Qd2 a6 |
| 9.g4 Bh4+ | 10.Bf2 Nd7 | 11.Bxh4 Qxh4+ | 12.Qf2 Qxf2+ |
| 13.Kxf2 Rb8 | 14.Nge2 b5 | 15.cxb5 axb5 | 16.Ng3 b4 |
| 17.Nd1 g6 | 18.Ne3 Nb6 | 19.h4 Bd7 | 20.Bd3 Nc7 |
| 21.h5 Nb5 | 22.Rh2 Nd4 | 23.Rah1 Kg7 | 24.hxg6 hxg6 |
| 25.Rh7+ Kf6 | 26.R7h6 Ra8 | 27.Bb1 c4 | 28.Ngf5 Bxf5 |
| 29.gxf5 c3 | 30.fxg6 fxg6 | 31.Rh7 c2 | 32.Bxc2 Nxc2 |
| 33.Nxc2 Rxa2 | 34.Ne3 Rxb2+ | 35.Kg3 Rb3 | 36. ... |

**QUESTION :**
**White to win**

**Puzzle 404 Ans. :**
23. ...Bc5+ Intermediate check
Not 23...Bxe2 because of 24. Rxh4 Bc5+ 25. Kh1
24. Kh1 Rh3 The black rook deflects White's pawn away from protecting the square f3. Opening the line from f3 to h1. 25. gxh3 Bxe2 The black bishop captures White's queen, which was defending square f3. 26. Rxh4 Bf3# Double bishop mate
23. ...Bc5+ 24. Kh1 Rh3 25. gxh3 Bxe2 26. Rxh4 Bf3#
0-1

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com